HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ



যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ভর্চুএল মোদতা অমেংলোংগী লুংকাওদা রানি গাইদিনলিয়ু ত্রাইবেল ফ্রীদম ফাইটরস ম্যুজিয়মগী উরেপ তমখিবা থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা থাজবা পীরক্লে : অমক্তা
☛ লামায় ২

'বি জে পি লৈঙাক্লা ঙরাংগী থৌদোক্কী মতাংদা খন্থহন্নিংই'
☛ লামায় ৪

যুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট বি এল ভর্মনা শঙ্গাখ্রে
☛ লামায় ৬

চহী ২০ গী মতুংদা ইহান হানবা ওইনা সিভিল ফ্লাইট লেন্দিং তৌখ্রে
☛ লামায় ৮

ইন্টরনেসনল ইন্টর্নসিপ য়ুনিভর্সিটি অমদি ইন্টরনেসনল কাউন্সিল ফোর এদ্যুকেটরসনা শীনবা গ্লোবেল এদ্যুকেসন সবমিট এৱার্দ অমসুং কন্ভোকেসনগা মরী লৈননা ডা. কোনিকা খুরাইজমদা বেষ্ট এদ্যুকেটর, ২০২১গী এৱার্দ খূৎশিন্নবা



Vol. 45, Issue No. 238 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গেগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, November 23, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# এন পি পিনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট ওইদুনা মণিপুরদা লৈঙাক শেম্লগনি : কোনরাদ সংমা

## এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা শরুক য়াদুনা ইলেক্সন কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লি ইলেক্সনদা নেসনল পিপল্স পার্টি (এন পি পি)না সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি অমা ওইরক্কনা মণিপুরদা এন পি পিগী লৈঙাক শেম্লগনি। পার্টি অসিনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মীয়ামগী খোল্লাউ খুদিংমক ইন্দিয়া লৈঙাক্তা য়ৌহনবগা লোয়ননা চহী খরগী মনুংদা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী চাওখৎপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংনা ওইনবা এন পি পিনা হোৎনগনি হায়না পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি এন পি পি য়াইস্কুল ব্লোক কম্মিটিনা শিন্দুনা ৱাঙ্খে কোংবদা লৈবা সৌদোংপুং গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা পব্লিক মীটিং অমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না হায়, এন পি পি হায়রিবা পার্টি অসি নেসনল পার্টি অমা ওইবতা নত্তনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা তোপ-তোপ্পা পার্টি অমনি। পার্টি অসিনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী অনিংবা-অপাম্বা করিনো অমদি করি করম্বা ইস্যুশিং মায়োক্নরিবগে হায়বসি খঙই। মরম অদুনা পার্টি অসিনা নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্না থেংনরিবা অমদি মায়োক্নরিবা প্রোব্লেম খুদিংমক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মকোক থোংবা লিদরশিংদা খঙহন-উহন্দুনা লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনগনি। হৌজিক লৈবাক অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা এন পি পি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# হোম মিনিষ্টরনা রানি গাইদিনলিয়ু ফ্রীদম ফাইটরস ম্যুজিয়ম শানবা উরেপ তমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ভচ্যুএল মোদতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী চিংমী ফ্রীদম ফাইটরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা রানি গাইদিনলিয়ুগী মীংদা ত্রাইবেল ফ্রীদম ফাইটরস ম্যুজিয়ম অমা শাননবা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী লুংকাও ভিলেজদা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শরুকনা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর (ত্রাইবেল এফেয়রস) অর্জুন মুন্দাসু ঙসিগী থৌরম অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

রানি গাইদিনলিয়ু ত্রাইবেল ফ্রীদম ফাইটরস ম্যুজিয়মগী উরেপ তম্লদুনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ফোঙদোকখিবদা ম্যুজিয়ম অসি লৈবাক অসিদা বৃটিশ রুলগী মায়োক্তা নীংতম লান শোক্নখিবা ফ্রীদম ফাইটরশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা শাগদবনি। অসিগুম্বা মখলগী ম্যুজিয়ম অমা শাবসিনা ফ্রীদম ফাইটরশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংদা মরমদম নুংশিবগী ৱাখল চেলহনগনি হায়খি।

মাউন্ট হেরিএটপু মাউন্ট মণিপুর হায়না মমিং ওন্থোকখিবগী মতাংদসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা অন্দমান অমসুং নিকোবর আইলেন্দগী তোঙান তোঙানবা চীংশিংগী মতাংদা থেংনবদগী মহরাজ কুল্লচন্দ্রবু কুমজা ১৮৯১দা থোকখিবা এঙলো মণিপুর লানদা বৃটিশকী মায়োক্তা লান্থেংনখিবগীদমক কলাপানিদা থাদুনা মাউন্ট হেরিএটতা থমখি হায়বা খঙলকখিবনি। মরম অসিদগী নিংথৌ অসিনা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু ইকায়খুম্নরদুনা মাউন্ট মণিপুর হায়দুনা মমিং ওন্থোকখিবনি হায়খি।

লোয়ননা রানি গাইদিনলিয়ুনা চথখিবা নীংতম লান্থেংগী মতাংদসু পল্লদুনা মহাকপু লৈবাক অসিগী মীয়াম পুম্নমক্না মশক খঙই অমসুং লৈবাক অসিবু নীংতম্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা লালহৌ অমসুং লান্থেংশিং য়াওদ্রবদি ইন্দিয়াগী নীংতম লালহৌ অদু মপুং ফারোই হায়খি।

থৌরম অসিগী ময়ায় তাংবল লৌখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ত্রাইবেল ফ্রীদম ফাইটরশিংনা লৌরম্বা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ফক্কী ৱাৱাইগী ফক্/মরোল থোকপা লাই




জয়েন্ত কাপ্পুনা হাৎখিবগী কেস

# কোর্টনা সী বি আইগী ক্লোজর রিপোর্ট রিজেক্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস) : ঙসিদগীনা চহী ৯ লোমগী মমাঙ ফেব্রুৱারী ৬, ২০১২গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা উরিপোক কাংচুপ লম্বীগী ফয়েংদা লৈবা দোন বোস্কো স্কুল মনাক্কী লমলোং ৩ ফাংবা মফম অমগী মনাক্তা কুম্বী কাংজৈবুং মপালদগী তাকয়েল কোলোম লৈকায়দা লৈরখিবা ৱাহেংবম জয়েন্ত কৌবা নহা অমবু খূৎ থোক্নবনি হায়দুনা কম্মান্দোগী ইন্সপেক্টর পি সঞ্জয় অমসুং ১০শুবা অসাম রাইফলসকী মেজর এন রঞ্জননা লুচিংবা কম্বাইন্দ টিম অমনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিন্দুনা হাৎতোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা সী বি আইনা কেস লৌখৎতুনা থিজিল্লবা মতুংদা কোর্টতা ক্লোজর রিপোর্ট ওইনা থাগৎলকখিববু চেলেঞ্জ তৌরকপদগী চথখিবা হিয়ারিংগী মতুংইন্না ঙসি কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অমদা সী বি আইগী

পুলিস ইন্সপেক্টর পি সঞ্জয় অমসুং এ আরগী মেজর রঞ্জন য়াওনা পর্সনেল ১৬কী মথক্তা কোগনিজেন্স লৌখ্রে



ক্লোজর রিপোর্ট অদু রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## আর কে ইমো, য়ামথোং দিসক্কালিফায় তৌবীনবা কোংগ্রেসনা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২২ (ঐচএনএস): কোংগ্রেস পার্টি থাদোক্তুনা বি জে পিদা নৌনা য়াওখ্রবা সাইকুল এ সীগী এম এল এ য়ামথোং হাওকিপ অমসুং কোংগ্রেসকী টিকেটতা সগোলবন্দ এ সীদা মায় পাক্লক্লগা অন-এটেচ মেম্বর ওইনা লৈরকখিবা এম এল এ আর কে ইমোবু টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফায় তৌননবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী স্পিকরদা পিটিসন ফাইল তৌদুনা তকশিনখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## ইন্দিফিনিট ব্লোকেদনা গাড়ী কয়া পন্দুনা লৈরে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২২ (ঐচএনএস): ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম) না হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা রেকমেন্দ তৌরক্লবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১বু এসেম্ব্লিগী অহন্নবা সেসন কৌদুনা খন্নগদবনি হায়বগী দিমান্দদা চঙশিল্লকখিবা নেসনল হায়ৱেশিংগী মতম কক্তবা ব্লোকেদনা মরম ওইরদুনা এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বী অমসুং এন ঐচ ৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীদা ইম্ফাল তম্না চঙলক্কদবা পোৎ পুবা গাড়ীশিং পন্দুনা লৈরে। অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং ফাওবদদি থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকখিদ্রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩০.০৪°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৮.০৮°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

**HL Poll**

Q: BJPda chongsinkhraba Congress MLA anigi mayokta wakatlaklibasi election mamangda disqualification touba nangadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Meetei/Meiteibu schedule tribe listta yaohannaba election mamangda manipur leingakna recommend tougani thajabra?

Yes 0% No 100%

**অস! লোইরেহে!**

- ব্রেকফাষ্ট অসিবু পাখংমচা অতাউবা ওইনা তৌবা য়াদ্রা?



- মীখল মতম ওইবনা চবা য়াবা মী লৈদ্রে।

# হায় কোর্টনা থা ১গী মনুংদা রেগুল্যলরাইজেসন তৌনবা খঙহনখ্রে

## এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী এদহোক এমপ্লোয়ী ৫০২না চহী ২০ মঙজরকপা মঙলান মঙফাওনরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা মথৌ তারকপদগী মতম মতমগী মতুংইন্না এদহোক বেসিসতা হাপচিনখিবদগী চহী ২০দগীনা ২৩ ফাওবা মথৌ পাঙথোকচরক্লবা তোঙান তোঙানবা গ্রেদকী ওজাশিং অমসুং এমপ্লোয়ীশিংনা মখোয়বু রেগুল্যলরাইজেসন তৌহনবীনবগীদমক মঙজরকখিবা মঙলান হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ঙসি পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা মঙফাওনহনখ্রে।

ঙসিগী কোর্টকী ওর্দর অদু জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরনা পীখিবনি। কোর্ট অসিদা রেগুল্যলরাইজেসন তৌহনবীনবা ফাইল তৌরকখিবনা কেস অনীনি। কেস অমনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৭৩ ওফ ২০১৯নি। কেস অসিগী পিটিস্নরশিংনা বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ৫দগী খারমজাম ওজিৎ (৫১) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ কলাচান্দ, হৈরোক পার্ট ৱানদগী খুন্দ্রাকপম রাজেন (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ ইবোতোম্বী, ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# রেভিন্যু লোয়শঙবু লেন্দ রিসোর্সেস দিপার্টমেন্ট হায়না ওনবদা কেবিনেটনা য়াখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএন এস):মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টপু লেন্দ রিসোর্সেস দিপার্টমেন্ট হায়না মিং ওনবদা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

সী এম সেক্রেটরিয়েটকী কেবিনেট হোলদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চ্যের লৌদুনা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম্না তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী এজেন্দা কয়ামরুম কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে। কেবিনেট মীফম অসি লোইরবা তুংদা পাউমী খরগা উনবা অমদা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয়সু ওইরিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা হান্না রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট হায়না লৈরম্বা অসি ঙসি ফমখিবা কেবিনেট মীফম্না লেন্দ রিসোর্সেস দিপার্টমেন্ট হায়না মিং ওন্ননবা ৱারেপ লৌরে। লৈরিবা লমশিং অসি রিসোর্স অমা ওইনা শীজিন্নবনা চান্নবা মওংদা দিপার্টমেন্ট অসিগী মমিং অসি ওন্থোক্লনবা ৱারেপ লৌবনি।

মহাক্না হায়খি, হন্দক্তা ষ্টেট লৈঙাক্না হোংদোকখিবা চীফ মিনিষ্টরস ৱিদো পেন্সন স্কিমসু মীফম অদুনা ফোর্মেল ওইনা অয়াবা পীখ্রে। লোয়ননা ইন্দিরা গান্ধী ৱিদো পেন্সন স্কিম অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না পীবা পেন্সন স্কিমশিং হান্না থা অমদা ২০০/২০০ পীরম্বা অদু মতমগী মতুংইন্না য়েংলগা লুপা ৫০০/৫০০দা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## আর পি এফনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ : পি এল এগী ২৫২ মোবাইল বট্টালিয়নদা থবক তৌদুনা লৈরম্বা এ-৩৩৩৬ প্রাইভেট নোংফাই অশেংবা মিং অকোইজম বিকেস কুমার, অপোকপা অমদি অপোকপীগী মীং অকোইজম প্রেমকুমার অমসুং অকোইজম ওংবী সুজিতা, লৈফম ইরোইশেম্বা অমুখোং লৈরক অসি হৌখিবা থা অসিগী ২০দা নোংমগী শিন্থা লোইদুনা মশাদা শীন্নদুনা পায়বা নোংমৈ ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## কে সী পিনা রেদ সেল্যুট পীরক্লি



ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ : কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী দেপ্যুটি ফাইনান্স সেক্রেটরি, কমরেদ ঙাসেপম অচৌবা মৈতৈ এলিয়জ এন জি খুমন মৈতৈ অপোকপা (লৈখিদ্রবা) এন জি তোম্বী অমদি অপোকপী (লৈখিদ্রবী) এন জি ওংবী মেমচা থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়না নবেম্বর ২১, ২০২১, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা মশাগী অনাবা অমনা লৈখিদ্রে হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# নবেম্বর ২৩ : মণিপুরগী অথৌবা ২৩না অন্দমানদা থুংখিবা নুমিৎ

**পুৱারীগী লিক্লম...**

**নোমিতা খোংবান্তাবম**

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস) : মালেমদা থোকখিবা অচৌবা লানশিংগী মনুং চন্দ্রবসু নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নখিবা মপাঙ্গল কল্লবা বৃটিশ লান্মীশিংগা মমা লৈবাক, মরমদম মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্নবগীদমক থৱায় খ্বাক্তা হাপ্তুনা লান্থেংনখিবা মণিপুরগী অথৌবা লান্মীশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবা মেজর চোংথা মিয়া য়াওনা এঙলো মণিপুর ৱার (১৮৯১) দা বৃটিশকী মখুৎতা মায়থীবদগী মখোয়না মরমদমদগী লোই থাখিবা মণিপুরগী নিংথৌ য়াওনা থৌনা ফবা লান্মীশিংনা অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎতা থুংখিবা নুমিৎ - নবেম্বর ২৩, ১৮৯১ লাকপগা ইরোয়ননা লোই থাখিবা অথৌবশিং অদুগী মনুংদা য়াওখিবা চোংথা মিয়া অমসুং



অথৌবশিং অদুগীদমক য়ুনাইটেদ চোংথাজনা শীন্দুনা হয়েং অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা মখোয়গী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমগদৌরি।


## অকাউ পরে চল্লুরবা মীতৈ লান্মীশিংগী মনুংদা মেজর চোংথা মিয়া

মণিপুরগী নিংথৌ কুল্লচন্দ্র য়াওনা থৌনা ফবা লান্মী ২৩বু লোই থাখিবা নুমিৎ য়ৌরকপগী মাঙওইননা য়ুনাইটেদ চোংথাজগী প্রসিদেন্ট চোংথাম তোম্বনা পাউচে অসিদা হায়, বৃটিশনা লোই থাখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ময়াম্না চোংথা অয়াপুরেল হায়রগসু খঙনবা চোংথা মিয়াসু অমনি। লৈবাক নিংথৌগী মখাদা লান্মীশিংগী লুচিংবা মেজরগী ফম পুখিবা অথৌবা অসিগী ৱাফমশিং চৈথারোল কুম্বাবগী লাতমশিংদা ময়েক শেংনা পল্লি।

বৃটিশনা অন্দমান অমসুং নিকোবরদা লোই থাখিবদগী অমুক হন্না পোক্নফম লমদমদা হল্লকপা ফংখিদ্রবা মীতৈ ...মখা লামায় ৩ কলম ২



HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.




ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদবর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫